# এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এ পি পান্দে থবক থাদোক্কদবনি: এস এল য়ু সী ও

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দেগী মথক্তা চঙশিল্লকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী খোঙজং নুমীৎ ৩৩ নি শুজিনখ্রবা মতুংদদি শংদাইননবা নীংথিনা ৱা ঙাঙনরক্লোই হায়না শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস এল য়ু সী ও) না ফোঙদোরক্লি।

এস এল য়ু সী ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এ বেদজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়াম অমদি লৈকায়গী ক্লবশিংনা পেন্দবা খোঙজং চঙশিনখ্রে। অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)সু য়াওশিনখ্রে। পীক্লবা ইরমদম অসিদা অমত্তা ঙাইরবা মপুং ফারক্লবা এম য়ুবু ফাগী তাহনবগী ৱারী পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙনরে। অদুবু প্রোফেসার এ পি পান্দেনা করিসু থৌ-ৱা শাদনা মীদিয়াদা খুদম চাংদম য়াওদবা ৱাহৈ খরা শেংদোক্লগা পুন্নমকপু শিংনবগুম তৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি। অসুন্না থবক তোক্লোই হায়না মখৌ পোংনা হায়বসি লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি মতিক চারবা ওজাশিংগী ৱাফমবু ৱাওই-থওইদবা অসি মহাক্লা মীয়াম অমদি পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমকপু থওইদবনি। লূপ কয়ানা কন্না তকশিল্লকপা পুন্নমক তাশিন্নদ্রিবা অসি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিবুসু লক্লবনি হায়রি।

অমরোমদসু, মপান্দগী লমদগী মহৈরোয় কয়া তল্লি। লমদম অসিগী ফুরুপ কাঙলুপ কয়াগী মহৈরোয়শিংগা মহৈ-মশিন তম্মিন্নরি। তুংগীদমক মহৈরোয়শিংগী মমল খঙদবা মাল্লি। অমরোমদনা এম য়ুদা লৈবাক অসিগী ওজা কয়া ভি সী ওইখ্রবনি। হৌজিকসু ভি সী ওইবা য়াবা ওজা অমদা অনীদা নত্তে। মসি প্রোফেসর এ পি পান্দেনা খঙগদবনি। মহৈরোয়শিংগী অহল-লমনশিং অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মমল খঙগদবনি অমসুং গার্দিয়ানশিংগী থস্মোয়বুসু উবীগদবনি হায়রি।

করিগীদমক প্রোফেসার পান্দেনা অসুক য়াম্না মঙক হাইগৎলিবনো অমদি তৌনিংবতা তৌরিবনো হায়বদসু পুন্নমক্লা খঙই। কনানা থৌনা হাপ্লিবনো হায়বদু পুন্নমক্লা খঙলোই। অদুবু হৌজিক্তি পুন্নমক্লা খঙলে মদুদি, পান্দেবু রিজিগনেসন তৌবা খক্তনা ৱারোইশিন ওইগনি হায়বসি মীকুপ অমা শিংনবগী মতম হেল্লে। মীকুপ অমা চোন্থদনা মশাগী ঈকায় খুম্নবা ঙাকচনবা, ঈংনা থবক থাদোকপীবনা মেনখৎপা ঙল্লোইদবা লৈখা তাবদগী কলহৌবনা ফগনি। লৈবাক অসিদা পোকপগী মায় ঙাক্তুনা লাক্লিবনি হায়বসি মীয়াম পুন্নমক্লা খঙহৌবনা ফগনি। চীংলেম্না খোঙজং অসিগী ৱারোইশিন পুরকহৌদবা লাইবক থীবনি। এম য়ুদগী পান্দেবু লৌথোকপীয়ু হায়রি।

এম য়ুগী ভি সী ওইরিবসি লমদম অসিদা কোয়রকপা মীওইগুম্বা অশঙবা মতমদা য়েংশিনবগী থৌওং চত্থরি। মরম অদুনা ৱাথোক অসিদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবগুম তৌবা অসি তৌহন্নিংদে হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হোম কিরেন রিজিজু অমদি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ ইম্ফালদা লাক্লম্বদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পল্লমদবা হায়বসিসু নুংনাংনিঙাইনি।

এস এল য়ু সী ও কাঞ্চিপুরনা কুমজা ২০০৭ দগী লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু এস এল য়ু সী ও মেরিটোরিয়স এদ্যুকেস্নেল এৱার্দ পীদুনা অমদি এদ্যুকেসন কম্পিটিসন কয়া পাঙথোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুক্লিং থৌগৎতুনা লাক্লি। মহৈরোয়শিং, মহৈলোয়শঙশিং, ওজাশিংগী অঙম্বা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। ঙসিদি ফিভম অসিদা তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্লক্ত্রে। থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর এ পি পান্দে মশানা থবক্তগী তোকচগদবনি। থবক তোকপা নত্তনা ৱারোইশিন অমত্তা লৈরোই। নুমিৎ অসিগী মতুংদগীদি চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়ারগনি। মদুদা থোক্লকপা অফ ফত্তগী থৌদাং মশানা লৌজগদবনি। এস এল য়ু সী ওগী মনুংদা লৈরিবা এদ্যুকেস্নল ইন্সটিট্যুট অমদি ওজাশিংগী য়াইফনবগীদমক অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

# খেমা চীংদা টুরিষ্ট স্পোট লৈহনবা য়ানিংদে : জে এ সী

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
খেমা চীংগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা অপূনবা মীফম অমা হৌখিবা জুন ৩০ গী অয়ুক্তা পাঙথোক্তুনা টুরিষ্ট স্পোট অমা শেম্বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে হায়রি।

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি টোর্চর বাই য়ু আর এফ চীংখৈঙানবা গ্রুপ নাপেৎ পল্লিগী কনভিনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিলগী শজিবু নোংমা পানবা নুমীৎতা থাবল চোংবগী থৌরম অমদা থোকখিবা ৱাথোক্তা মরুওইনা ৱাথোক অসিগী হৌরকফম ওইখিবা এন জি সোভেট এলিয়স চীংখৈঙানবা, চ্যেরমেন য়ু আর এফনা হন্দক্তা খেমা রিজার্ব ফোরেষ্টতগী টুরিষ্ট স্পোট শাননবা লম হেক্তর ৩৫ নাপেৎ পল্লিদা পীনবা হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মমাঙথক্তা লৌখিবা ৱারেপশিং অহোংবা অমত্তা লৈতে। ৱারেপ অদু পিপলস কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর হায়রিবা পোইরৈ লৈমরোল, আই পি এস এ, য়ু পি এফ, মপি কাউন্সীল, অমুকো, কোহর, নিপকো, এম এস এফ, এমসু, সুক, অকোম লূপ, অমকিল, কিল, নুপী সমাজ, কংলৈমৈ, তম্মী চীংমী, হেরিকোন, কৌসাংনা পুন্না লৌমিন্নখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী পুলিস দিপার্টমেন্টনা হায়, লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা পীরকপা চেরোলদা য়ু আর এফকী চ্যেরমেন এন জি সোভেট এলিয়স চীংখৈঙানবনা খেমা রিজার্ব ফোরেষ্ট নাপেৎ পল্লিদা টুরিষ্ট স্পোট অমা শানবা লম পীনবা হায়রক্লিবা ৱাফম অসি জে এ সীনা য়াবা ঙল্লোই অমদি লম্লাই এ সীগী মফম অমত্তদা য়ু আর এফ অমদি মান্নবা ওর্গনাইজেসন অমত্তা থম্বা য়ারোই। অতোপ্পা লম্লাই এ সী নত্তবা এরিয়াদা শিনবীনবা হায়জরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা জে এ সীগী ৱাফমগী মায়োক্তা থমজিল্লকপা তারবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

জে এ সীগী চেরোলদুনা মখা তানা হায়, ঙসিদগী চহী ৩গী মনুংদা য়ু আর এফকী চীংখৈঙানবা কাঙবুশিংনি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মরী লৈনবশিং মফম অসিদগী লৌথোক্কদবনি। মতম অসিগী মনুংদা লৌথোক্তবা তারবদি জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনগনি। য়ু আর এফকী চীংখৈঙানবগী সরেন্দর কাঙবুদা শিন্নরিবা খুৎলায়শিং লৌখৎকদবনি। লৈঙাক্লা লৌখৎত্রবদি খুঞ্জাশিংগীসু মতিক চাবা খুৎলায় লৈঙাক্লা পীবীগদবনি। লৈঙাক্লা মখোয়বু লৌথোকখ্রবা মতুংদা খুঞ্জাশিংদা তুংদা ফত্তবা থোকহল্লকপদা মণিপুর লৈঙাক অমদি য়ু আর এফকী চীংখৈঙানবনা থৌদাং পুগদবনি।

নাপেৎ পল্লিদা লৈবা এল পি স্কুল মহৌশাগুম অকি অখঙ লৈতনা মহৈ তম্বা ফংহনগদবনি। নুমীৎ অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু মীওই অমত্তগী থৌদাং ওইহনবা য়ারোই, মীয়ামগী ঈহৌনি। নাপেৎ খুঙ্গংগী ওইবা মফমখক নত্তনা লম্লাই এ সীগী ওইবা মফম অমত্তদা লৈহনবা য়ারোই। মফম অসিদা লৈরিবা য়ু আর এফ গ্রুপকী পোৎলমশিং অথুবদা লৌথোকখি-গদবনি। য়ু আর এফকী নৌনা রিক্রুইট তৌরিবা লৈকায় অসিগী মীওইশিং মফম অসি থাদোকখিগদবনি হায়রি। জে এ সীনা তকশিল্লক্লিবা দিমান্দশিং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি মণিপুরগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুন্দুনা খোঙজং চঙশিনগনি।

# ‘এম দি এ সী টি ওনা পুং ৭২ গী বন্দ শৌগৎতে’

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
জে এ সী এগেনষ্ট ফোর্সদ কন্সত্রক্সন ওফ মপিথেল দাম (এ এফ সী এম দি) না পুং ৭২ গী মণিপুর বন্দ কৌরিবা অসি এম দি এ সী টি ওনা শৌগৎফম থোক্তে হায়বা ৱারেপ অমা থা অসিগী ১ দা লৌফোং তাঙ্খুল ভিলেজদা এফেক্তেদ ভিলেজরশিংগা লোয়ননা মপিথেল দাম এফেক্তেদ চীং-তম ওর্গনাইজেসন্না লৌরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

এম দি এ সী টি ওগী চ্যেয়রমেন রামথম সৈজা অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি টি সোমোরজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দেমোক্রেটিক ওইনা এম দি এ সী টি ওনা কুমজা ২০১৮ তগী মপিথেল দামনা দাইরেক/ইনদাইরেক ওইনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংগী ফংফম থোকপা ফিজিকেল রিহেবিলেটসন এন্দ সেট্টলমেন্ট পেকেজ অমদি স্পেসল ইকনমিক পেকেজশিং নেসনল পোলিসিগী মান্নবা রেটতা অশেংবা এফেক্তেদ ভিলেজশিংদা পীবীনবা তক্লদুনা লাক্লি।

এম দি এ সী টি ওনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টর অমদি ওফিসলশিং অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী গভর্নর অমদি চীফ মিনিষ্টরগসু কয়ারক উনদুনা সোল্যুসন পুরক্লবা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা তক্লদুনা লাক্লি। মদুগী রিজল্ট ওইনা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা য়াম্না থৱাই য়াওনা ইন্সত্রক্সন পীরক্তুনা হৌজিক হৌজিক দাম অসিনা শোকহল্লবা ফিজিকেল আর আর পেকেজ ফঙহৌদ্রবা লৌফোং তাঙ্খুল ভিলেজগা লোয়ননা দাম অসিগী মনাক নকপদা লৈরিবা নোংদম কুকি ভিলেজ, মফৌ কুকি ভিলেজ অমসুং তুম্বীখোং মৈতৈ ভিলেজগী য়ুম খরা অশেংবা ওইবা লেফট আউট খঙদোক্লবা মরি লৈনবা দি সীগী খুত্থাংদা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়র য়াওরগা ভেরিফিকেসনগী প্রোসেস চত্থরি। অসিগুম্বা গভর্নমেন্ট অসিগী ফজরবা তাঞ্জা অসিদা এম দি এ সী টি ওনা গভর্নমেন্টকী এগেনষ্টতা লেপ্লোই। অমরোমদা, মখল অমত্তগী বন্দ সপোর্ট তৌরোই।

দাম অসিনা শোকহল্লবা ভিলেজ কয়ানো, কনানা আর আর পেকেজগী এমাউন্ত কয়া বিনিফিসরি কয়াদা পীখ্রে। কনানা ফঙদ্রি হায়বগী রেকোর্দ দিপার্টমেন্টতা লোয়না লৈরিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মশাগী খুদোংচাবা য়েংবা হেদমেন/ভিলেজ চিফ অমদি মীওই খরনা লুপ, ওর্গনাইজেসনশিং শেমজিল্লগা গভর্নমেন্ট অসিদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দশিং তৌবসু তাইবং শেম্বা মপুনা চানবীরোই হায়না খল্লি।

দামগা মরী লৈননা এফেক্তেদ ওইরবা মীওইশিংনা দিমান্দ তৌবদি মরম চাগনি। মদু নত্তনা দিমান্দ এরিয়াগী মী খরগী ইনফ্লুয়েন্সতা পংতৌ তৌশিনবা চার্জ মীয়াম্না ইনফম থোক্তে। লৈঙাক অসিনা গো টু হিল অমসুং গো টু ভিলেজনা দাম এরিয়া অসিদা দিভলপমেন্ট চাউনা পীরক্কনি হায়না মীৎয়েং থল্লি হায়বা ৱাফম এম দি এ সী টি ওনা ফোঙদোরক্লি।

# সমুরৌদা শা-ষণশিং লায়েংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
পীপল ফোর এনিমেলস মণিপুরনা শীন্দুনা ঈশিং-ঈচাওনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শোকহল্লবা মফমশিং ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সমুরৌদা লেম্না শা-ষণশিং লায়েংবা অমদি হিদাক য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পীপলস ফোর এনিমেলস মণিপুরগী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বরজিৎ মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা মখল মখা কয়াগী শা-ষণগী অনাবা য়াওরক্লবা মফম অসিদা ষণ অমা হৌখিবা জুন ৩০ দা নাদুনা শিখ্রবনি। পাঙথোক্লিবা ভেটিরিনরি কেম্প অদুদা বিষ্ণুপুরগী চান্দপুর লৈকায়দগী ডা. নিংথৌজম প্রিয়োকুমার অমদি লাইফরোক মরিংদগী এম মোবা মরিং অনীনা লায়েংখি। হিদাক লাংথকশিংনা ডা. দেবকিশ্বর এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট দোগ স্কাউট ৩০ বট্টালিয়ন এস এস বি, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দগী লৈশাংথেম মঞ্জিৎ অমদি শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দগী য়ুম্নাম নেলসন্না মতেং পাঙখিবনি হায়রি।

কেম্প অদুদা শা-ষণ, হুই অমদি ওক পুন্না ১০০ লায়েংখি অমদি সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব সমুরৌনসু মতেং পাংখি। মখা তানা অতোপ্পা মফমশিংদসু কেম্প অসি পাঙথোক্কনি হায়রি। পীপল ফোর এনিমেলস মণিপুরনা লম্লক্কী শা-উচেক অমদি মফম অসিদা ফংবা থৱাইপানবা কয়াগী মপুন্সি কনবগী থৌওং চত্থদুনা লাক্লি।

## ভলুন্টরি ব্লদ প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জুলাই ০২: লাইফ সেভর্স মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দা থা তরুক্কী ওইবা ভলুন্টরি ব্লদ দোনসন প্রোগ্রামগী থৌরমশিং পেরেদাইজ ক্লব ৱাংখৈদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা এদভোকেট কাঙবম জয়চন্দ্র এদভাইজর লাইফ সেভর মণিপুর অমদি মুতুম জোগেন ফাউন্দর লাইফ সেভর মণিপুরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থা তরুক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোগ্রাম অসি ষ্টেট হেলঠ সোসাইটিগী তেঙবাংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি।

# খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু চৎনবা য়ারোই: এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
মণিপুর গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা তরেৎশুবা পে কম্মিসন ফঙহনবীনবা খোঙথাং কয়াগা মরি লৈননা গভর্নমেন্টকা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী হৌখিবা মার্চ ২২ দা থবক লেপ্পগী খোঙজং অমদি ৱাকৎ মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা ফংফম থোকপা রাইট ফঙহনবীনবা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীনরম্বা অসি মীয়ামদা নমথাকপ তৌবনি অমদি লায়বক থিবা থৌওংনি হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স এসোসিয়েসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স এসোসিয়েসনগী চীফ এদভাইজর এস ইবোপিশক্কা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এম ও য়ু অদু চৎনবা য়ারোই অমদি মীওইবগী ফংফম থোকপা রাইট ফঙহনবীনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎতুনা গভর্নমেন্টকী দ্রাইভরশিং অমদি মরি লৈনবা ইমপ্লোয়ীশিংনা ব্লেক বেজ থেৎতুনা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখা তাবা ৱারেপ অমদি ৱারোইশিন অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি অমদি দ্রাইভরশিংনসু মখা তানা খোঙজং চঙশিনবীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, খোঙজং অসি করিগীদমক্তা শৌগৎতুনা মখা তানা চঙশিল্লিবনো হায়বদা ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স এসোসিয়েসন্না মমাংদা পনখ্রিবা এম ও য়ু অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অসিদা চৎনরবদি ইমপ্লোয়ীশিংগী রাইট মাঙহনবতা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম পুন্নমক্কী চারোন শুরোন ফাওবদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা চাউরবা শেন ম্নীৎলোনদা চৈথেং পীবনি অমদি শোত্থরিবা অসিগী মথক্তা হেন্না শোত্থনবা য়াৎপা থৌওংনি হায়না লৌই। ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী রিভিজনদা জি এস টিনা শেন্মীৎলোনগী ফিভমদা চৈফু পীরক্লিবসি তরায়না লৌবা চুল্লোই হায়রি।

মমাংদা থমখিবা গভর্নমেন্টকী রিভিজন দোক্যুমেন্ট অমদি মণিপুর প্রদেশ ষ্টেট ইগজিক্যুটিবকী মীফমনা মণিপুরদা তরেৎশুবা সেন্ত্রেল পে পীগনি হায়বগী ৱারেপ কয়া লৌখিবনা কুমজা ২০২০ গী এপ্রিল ১ দগী পীনবা হোৎনগে হায়বা ৱাফম তরাম্না ওকফম থোকই হায়না লৌই। তৌইগুম্বসুং পীগদৌরিবা মওংদি য়াম্না চাওনা তায়োন্নবনি, য়াফম থোক্তে হায়রি।

ফাইনান্স কম্মিসন্না চৎনখ্রবা কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারিদগী য়ানখ্রবা ৱাফমদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা ইমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে এরিয়রগা লোয়ননা পীফম থোকই। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চৎনবা হৌখিবা অমদি চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রবশিং অদুদি, অরুনাচল প্রদেশতনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বরদগী এরিয়রগা লোয়ননা পীরে। অসামদা কুমজা ২০১৭ দগী পীবা হৌখ্রে, মেঘলায়া, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরদা পীখ্রে। মিজোরামগীনা কুমজা ২০১৮ কী সেপ্তেম্বর থাদগী পীরগনি হায়না কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। নাগালেন্দদনা কুমজা ২০১৯ গী অঙনবা শরুক্তগী পীবা হায়না লেপ্পখ্রে। মখোয়গী এরিয়রসু কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি ১ দগী পীগনি হায়রি।

এম ও য়ু অসিনা খঙহল্লক্লি মদুদি, কুমজা ২০১৬ কী জন্যুৱারি ১ দগী কুমজা ২০২০ গী মার্চ ৩১ ফাওবদা ফংফম থোকপা শেনফম লৌজরোই অমদি কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিল ১ দগী কুমজা ২০২০ গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা গভর্নমেন্টনা পীথোক্তনা লৈহৌবা তরেৎশুবা পেগী শেনফম লৈরবদি ইমপ্লোয়ীশিংগী জি পি এফতা হাপ্পা হায়না য়ানখ্রে হায়রি।

চহী মরি, থা অনী অমদি নুমিৎ ৩০ নিগী শেনফম ইমপ্লোয়ীশিংগী চাগা চাদিংগা ইন্দিয়াগী ফাইনান্স কম্মিসনগী জি এস টিনা লৌশিনগদৌরিবা শেনফম অদু কদায়দগী পীগদৌরি। মণিপুরগী মীয়াম্না করি পোৎশক পুথোক্তুনা ইন্দষ্ট্রিদগী এক্সপোর্ট অমদি ইমপোর্ট তৌদুনা চাগা চাদিংদা মতেং পীরিবগে। অয়াম্বা শরুক্তি ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোবনা রি-সাইকল তৌদুনা হিংনরিবা ইকনমিক ষ্টেটসনি হায়না লৌবা য়াই হায়রি।

শাংলবা চহী মরিগী মথক্তা ইকনমিক ওইবা লাপস ওইহল্লবদি সোসল ইকনমি দা করম্বা মখলগী দিভলপমেন্ট পুরক্কনি হায়বসি অখঙ অহৈ, লাইরিক লাইশু হৈরবশিংনা নৈনদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিং, লৈবাক মীয়ামগী মরক্তা ফিরেপ চুম্না লেপ্পা ঙম্বা অমদি তংদু লৈতাবা পুন্সিদা লৈবাক মরা তপ্পা পানবা ঙম্নবা ইশানা থৌদাং য়াবীয়ু হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্নমেন্টকী লোয়শঙ পুন্নমকপু কন্ত্রোল তৌরিবা সেক্রেটরিয়েট অমদি অহল ওইরবা পেন্সনরশিংগী মায়কৈদগী এম ও য়ু অসিগী মরমদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবা হায়বসি লায়বক থিবনি। ষ্টেট অসিগী এম পি অমদি এম এল এশিংনা চীং তম খায়দনা পুন্নমক্কী মফমদা পুকচেল শেংনা অচুম্বা ৱাফম থম্বীয়ু হায়রি।

## থৌনা ফবগী মনা পীগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): মমাং চহীগী জুলাই ১ দগী চহী অসিগী জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা মীওইবগী পুন্সি কনখিবা মথৌনা লৈবা চহী ৬ তগী ১৫ ফাওবদা লৈবা মণিপুরী নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংদা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফ্যেয়র ন্যু দিল্লিগী লৈবাক্কী থাক্তা লাক্লিবা কুমজা ২০১৯ গী রিপব্লিক দেগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ন্যু দিল্লিদা পীগদৌরিবা মনাশিং অসিগীদমক্তা এপ্লিকান্টশিং কৌরি। অকুপ্পা মরোল মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ফোর চাইল্ড ৱেলফ্যেয়রগী মোইরাংখোমদা লৈবা ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## সী এম আর এফতা দোনেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস): শ্রীশ্রী গোবিন্দজি গ্বাল বৈষ্ণব সমাজ মণিপুরনা চীফ মিনিষ্টর্স রিলিফ ফন্দদা ঈচাওনা অৱাবা তাহল্লবা মীয়ামদা মতেঙ পাঙনবা লুপা ১৫,৪০০ গী শেনফম দোনেট তৌখ্রে। শেনফম অদু সমাজ অসিগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা খুৎশিন্নখি। চীফ মিনিষ্টরনা সমাজ অসিনা পুকচেল চাওনা মতেং পাঙবীরকপা অসিগীদমক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মমাংদসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা তেঙবাংবীরকপা লৈখ্রে।

মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকথাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙ্যা শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

HL-B/4699/19/6-18/07

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMAN & FRESHERS

| SL.No. | NAME OF POST | AGE | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | Upto 50 yrs | 13000/- & above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | Upto 50 yrs | 14500/- & above |
| 3. | Security officer/Asst. security officer | Upto 50 yrs | 16000/- & above |
| 4. | Driver | Upto 50 yrs | 14000/- & above |

MULTIPLE JOB VACANCIES

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | VIII & above | 6000/- & above |
| 2. | Driver | VIII & above | 7000/- & above |
| 3. | Cook/House Keeping | VIII & above | 6000 / 7000/- above |
| 4. | Attendant/Receptionist | X/XII/Graduate | 5000 / 7000/- above |
| 5. | Field Officer/Loan recovery staff | XII & above | 7000/- & above |
| 6. | GNM/B.Sc. Nursing/ Lab-Tech/X-ray Tech | | Negotiable |

POST VACANCIES FOR AIRPORT AND AIRLINES (IGIA DELHI & IMPHAL)

| SL.No. | NAME OF POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1. | CSA/Air ticketing | Graduate | 16000/- +Incentive |
| 2. | Cabin Crew/Air Hostess | XII & above | 45000/- & above |
| 3. | TFS, Retails, PSA | XII passed | 15000+fooding+Inc. |
| 4. | Trolly/Loader | VIII to X passed | 14500/-+overtime |
| 5. | Flight cleaner/Weight checking | VIII to X passed | 14500/-+ above |
| 6. | Helper/Panboy | VIII passed | 9000/- + Incentive |
| 7. | Driver/Security Guard | VIII passed | 17000/- + overtime |

Last Date of Form Submission : 6/07/2018
Interview Date : 9/07/2017
Office Hour : 9.30 a.m to 4.00 p.m.

For more details Please contact :
☎ 9089590410 / 8794829055

LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Regd. No. 14/006/21/04170/Micro- Part 1

HL-P/3378/26/6-3/7

OFFICE OF THE
SALAI Holdings Pvt. Ltd.
Head Office : Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West, Manipur - 795001, India

RECRUITMENT NOTICE FOR KOLKATA OFFICE

Company Profile:- SALAI Constructions Pvt. Ltd., a unit of SALAI Holdings Pvt. Ltd. with its Main Office at New Town Kolkata and Registered Office at Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Manipur (www.smartmanipur.com) is the only authorized agent of "Forest City by Country Garden Pacificview - Malaysia" in India. Country Garden Pacificview is a China based Property Development Company named among Forbes Asia's Fab Top 50 Companies.

1. MARKETING EXECUTIVE - (2 Nos.)

Job Specification:-
Minimum 3 years of hands – on experience in Direct Marketing, Channel Sales. Former experience of business to business sales / marketing in Real Estate Industry is preferred. Good communication and computer skill. Experience with international patrons is highly recommended. Must have problem solving and analytical skill with openness for business travel. Should be persuasive and exude good oratory skill.
Remuneration:- 3.6 L.pa + incentive.
Eligibility: - Graduate and above with sales experience in real estate industry.

2. FRONT DESK EXECUTIVE - (1 No.)

Job Specification:- Minimum 2 years' experience in handling walk in customers. Good communication and computer skill. Good verbal and written knowledge with pleasing personality. Proficiency in foreign language will be advantageous.
Remuneration:- 1.8 L.pa.
Eligibility:- 10+2 and above with relevant experience.
Offshore Office – Mr. Guruamyum Mahesh, Marketing Manager, SALAI International FZC Ajman, UAE.
Main Office – Mr. Arpit Jain, Business Development Executive, SALAI Constructions Kolkata, India.

Interested person meeting the above requirements may apply at: P.S. Aviator, Room # 303, 3rd Floor, Chinar Park, New Town, Kolkata of mail at arpitjainsalaiexim@gmail.com, latest by 14th July 2018

Sd/- Humman Resources Department
SALAI Holding Pvt. Ltd.

HL-P/4040/1,3,5

PHYSICS TUTORIAL CLASS

For
NEET/JEE-2019, CLASS XI & XII
Class Timing : 5:30-6:30 pm for NEET/JEE
6:30 - 7:30 pm for Class XI
Venue: PHYSITACK
Contact : ☎ 8131059266 & 8258812956
HL-P/1745/1-7 Keishampat Hodam Leirak Machin

থবক্কী পাউ

ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইগদবা 81 (Male / Female) Official Staff Recruitment গীদমক দরখাষ্ট কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা অমদি Class X, XII & Graduation পাস তৌরবা নৎত্রগা তন্নিবা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। থাগী Income: Rs. 10,000 to 30,000 ফাওবগী মনুংদা ওইরক্কনি। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী ফেসিলিটি লৈগনি। এপ্লাই তৌবিনিংবা মীওইশিংনা ইশাগী বাইওদাটাগা লোয়ননা তান্নবিয়ু।

NO DEPOSIT REQUIRED

Visiting Hr: 12 noon to 3 p.m.
Biodata submission : Tuesday to Friday.
Contact : ☎ 9774986962, 8414834122, 8014170652

HL-P/4013/27,28Jun, 2, 3July

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)




HL-B/4723/3/6-26/8(A4)